# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 31-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লালহৌবা ৪ অমসুং নোংমৈ ২৮ য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

২) লোক সভাগী এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি- মণিপুরদা রাষ্ট্রপতি সাসন শাংদোকপগী মহুৎতা মীয়ামগী রাই লৌবনা চুম্লগনি।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- নরেন্দ্র মোদি সরকারগী মখাদা জম্মু কাশ্মীর অসি তেরোরিজম লৈতবা লমদম অমা ওইহনগনি।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লালহৌবশিং অমসুং খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- চুরাচান্দপুর জিলাগী তোলেন ভিলেজদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা সিঙ্গল বেরেল রাইফল ৩, তুয়েল্ব বোরগী কাত্রিজ মরি, পোম্পী ১, পোম্পীগী মরু ৪, তিয়ার স্মোক ম্যুনিসন ৪, নোংমৈ মরু ৩ ফাগৎলে। জিলা অসিগী মনুং চনবা দম্পিদগীসু ঙরাং সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ১৪, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা, পোম্পী ১, আই.ই.দি ৯, হেলমেট ৩, বাউফেং রেদিও সেট ২ অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎলে।

চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বুৱাললিয়ান ভিলেজদগীসু ঙরাং কন্ত্রি মেদ সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৩ অমসুং কন্ত্রি মেদ পিষ্টোল অমা মণিপুর পুলিসনা ফাগৎলে।

থৌবাল জিলাগী লাংঙথেল হঙোইপাৎ এরিয়াদগী রাজ্য পুলিসনা ঙরাং এস.এল.আর ৪ অমসুং এন.এল.আরগী মেগজিন ৮ ফাগৎলে।

অমরোমদা, মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমসুং কিহন খঙহনবগী থবক্তা চেন্নবা লালহৌবা কয়ামরুমসু ফাগৎলে। কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা, হৈরোক নারেংতকপী লৌকোলদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। অতোপ্পা কে.সি.পি. (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমসু ঙরাং কাইরং চীংয়া লৈকাইদগী ফারে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী লাইখোং খুনৌ চ্যেক পোইন্টতা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা অমসুং মহাক্কা লোয়নরম্বা অতোপ্পা মীওই অমসু পুন্না ফারে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাওথোং খুনৌদগী ঙরাং রাজ্য পুলিসনা প্রিপাক (প্রো) মীওই অমা ফারে। ককচিং জিলাগী থোংজাউ চরিক্তগী মীওই অমা য়ু লিতর ১০১ গা কোন্ননা ফারে। তেংনৌপল জিলাগী মোরেগী সন রাইজ গ্রাউন্দ মনাক্তগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা আই.ই.দি অমা অশোই অঙাম য়াওহন্দনা লৌথোকখ্রে হায়রি।

বিমোল (এল)ঃ  মণিপুরদা রাষ্ট্রপতি সাসন শাংদোকপগী মহুৎতা রাজ্য বিধান সভা দিজোলভ তৌদুনা মীয়ামগী রাই লৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়না লোক সভাগী এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা সংসদকী মীফমদা ফোংদোকখ্রে।

মহাকা হায়- মণিপুরগী ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা রাজনীতিগী অচেৎপা ফিরেপ মথৌ তাই। মীয়ামা থাজনা নৌনা খনবা লৈঙাক অমা শেম্লবা মতুংদা মণিপুরবু অমুক হন্না শেমগৎতুনা মহৌশাগুম নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপলনা পুন্না শিন্দুনা ক্বাথা ভিলেজদা নুমিৎ হুমি চুপা চথুরকপা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগী ৱার্কসোপ অমা ঙরাং লোইশিনখ্রে। ৱার্কসোপ মনুংদা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংদা তোঙান তোঙানবা মখলগী সার্তিফিকেটশিং পীবা, সরকারগী স্কিমশিংগী কান্নবা ফংহন্নবা লমজিং লমতাকপীবা অমসুং মীয়ামা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ওফিসিয়েলশিংনা মতেং পাংখি।

কেম্পেন (এল)ঃ তমেংলোংগী পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা মীয়ামদা অফবা থকবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবগী মতাংদা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কমিতিগী মীওইশিংদা পি.ঐচ.ই.দিগী মকোক থোংবা ইঞ্জিনিয়ারশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা নিংথিনা তাকপী তন্বীখি।

মিজোরম ঃ ৯ শুবা মিজোরম বিধান সভাগী ৫ শুবা মীফম মথং থাগী ২৭ তগী হৌরগনি। নোংজ্ মীফম অসি পাঙথোকবা মিজোরমগী রাজ্যপাল জেনেরেল বিজয় কুমার সিংহনা ঙরাং সম্মোন তৌখ্রে। মীফম অসিদা সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিল কয়ামরুম পুথোক্কনি। অমরোমদা, বিরোধি দলশিংনসু থাউ য়াওনা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং নিংথিনা ফংদবগী মতাং অমদি যুম কৈ শাবদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংদবনচিংবগী মতাংদা মীফম মনুংদা পুখৎনবা শেম শাদুনা লৈরে হায়রি।

সাহ ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- নরেন্দ্র মোদি সরকারগী মখাদা জম্মু কাশ্মীর অসি তেরোরিজম লৈতবা লমদম অমা ওইহনগনি।

রাজ্য সভাদা খন্ন-নৈনবগী পাডখুম পীরদুনা শ্রী সাহনা হায়- পহলগামদা তেরোরিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখিবা অদুগী মতিক চাবা পাউখুম ওইনা ওপরেসন শিন্দুর মায় পাকা পাঙথোক্তুনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা ভারতকী ফিরেপ অদু

ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে। তেরোরিষ্ট অমসুং মখোয়গী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং লৈহন্দনবা মখা তানা অকনবা থবক লৌখৎখিগনি হায়নসু শ্রী সাহ্না ফোংদোকখি।

দিফেন্স ঃ ভারত অমসুং য়ুনাইতেদ আরব ইম্মরেটসনা লৈবাক অনিগী মরক্তা ঙাকশেলগী লমদা হেন্না তেংবাং পীননবা য়ান্নখ্রে।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা ১৩ শুবা ইন্দিয়া-য়ু.এ.ই জোইন্ট দিফেন্স কোওপরেসন কমিতিগী মীফমদা ৱাফম অসি য়ান্নখিবনি। মীফম অদু কেন্দ্রগী ঙাকেশেল সেক্রেতরি রাজেশ কুমার সিংহ অমসুং য়ু.এ.ইগী ঙাকশেলগী অন্দর সেক্রেতরি লেফটনেন্ট জেনেরেল ইব্রাহিম নাসর অলাৱিনা পুন্না সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখি। লৈবাক অনিনা লল্লোন ঈতিক, শেল থাদবা অমসুং খুনাইগী ওইবা মরীশিং হান্নদগী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়াসু খন্নখি। লৈবাক অনিগী মরক্তা মিলিটরি ত্রেনিং পাঙথোকপদা তেংবাং পীনবা অমসুং ত্রেনিং মনুংদা দরকার লৈবা পোৎলমশিংগী মতাংদসু মতেং পাংননবা য়ান্নখি।

যাত্রা ঃ হৌজিক চত্থরিবা অমরনাথ যাত্রাগী লাই খুরুম্বা চৎপা নোং চীংগী ফিভম ফত্তবদগী ঙরাংদগী লেপখ্রে। নোং কন্না চুবা অমসুং লাই খুরুম্বা চৎপদা খুদোংথিনিঙাই ওইবা ফিভমশিং লাকপদগী পহলগাম অমসুং বালতাল বেজ কেম্পশিং মতম খরগী ওইনা থিংজিনখ্রে। অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়-নোং চীংগী ফিভম ফগৎলক্ত্রিবা ফাওবা অথিংবা অসি মখা তানা লৈরবা য়াই। ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা লাই খুরুম্বা লাক্লিবা যাত্রিকশিংদা অৱা অনা থোক্লকপা থিংননবা ওথোরিতিনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

য়ুহার ঃ রসিয়াগী কামচাৎকা পেনিনসুলাদা ঙরাং রিক্তর স্কেলদা ৮.৮ য়ৌনা অকনবা য়ুহার হাখ্রবা মতুংদা পেসিফিক লমদমদা অকনবা সুনামি লাক্কনি হায়না মীপাইনবদগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎনখ্রে।

জপানগী কান্টোদগী ৱাইকাইয়ামা ফাওবগী মরক্তা লৈবা সমুদ্র খোঙবানগী লমদমদা সুনামি লাকপা য়াই হায়না চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা সমুদ্র খোঙবানদা লৈবা মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা থাংদোকখ্রে। অকনবা য়ুহার অদু হাখ্রবা মতুংদা রসিয়া, জপান, হৱাই অমসুং আমেরিকাগী মফম খরদা সুনামিগী ঈথক লাকখি। য়ুহার হাবা অদু হেক লোইখিবগা হৱাইদা ইহান হানবা ওইনা ফুট ৪ রোম ৱাংবা ঈথক লাকখি। জপানগী অৱাং থংবা সমুদ্র খোঙবানদসু ফুট মরি মখায়রোম ৱাংবা ঈথক হৌরকখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

১৩৪ শুবা দুরান্দ কপ হৌদোকখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরে। পাউচে অসিদা ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্তরনেসনেল ডে ওফ ৱার্ল্ডস ইন্দিজিনস পিপলস থৌরমদা নাগা অমত্তা য়াওদনবা য়ু.এস.সিনা খঙহনখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- ফুট হিল এরিয়াশিংদা কৌরিবা মতম কক্তুবা বন্দ হন্দোক বা মণিপুর সরকারনা ফুট হিল নাগা কোওর্দিনেসন কমিতিদা তকশিল্লি হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল শাংদোকখিবগী পাউসু ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- টি.বি. ফ্রি সেনাপতি হায়বা হিরমদা মীফম অমা সেনাপতি জিলাদা পাঙথোকখ্রে হায়না হেদলাইন তৌরে। পাউচে অসিদসু মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল শাংদোকপগী লোক সভানা অয়াবা পীখিবগী পাউ ফোংলি।

লোক সভানা মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল থা ৬ শাংদোকপগী রিজোলুসনদা অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউ অসি পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরে। এসেমব্লি মুখৎলগা নৌনা মীখল তৌবনা ফগনি হায়বা এম.বি. বিমোল অকোইজমগী ৱাফমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- মণিপুরদসু স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন পাঙথোকবা থৌরাং পায়খৎপা লৈরে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউচে অসিদা ইরাংগী মতাংদা কুকি জোশিংগী মীফম কাংপোকপীদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লমায়দা ফোংলে।

হুইয়েন লানপাউদা- লৈবাক অসিগী লান্মীগী মকোক জেনেরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদি লাক্তুনা সেক্যুরিতি ফিভম অমসুং লান্মীনা লৌখৎপা থৌরাংশিং য়েংশিল্লম্লে। গর্ভনরগা উন্নদুনা মণিপুরগী সেক্যুরিতি অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী পোনি য়েংশিনবীহৌদ্রগদি মার্জিংগী শেঞ্জেংনা শাবা শগোলগী মীতম অসিখক্তমক খুদম ওইনা লৈহৌবা য়াই হায়বা পাউ অসি পোকফমগী এক্সক্লুসিভ ওইনা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলে। পাউচে অসিদা চহি নৌরিবী নুপীমচা অমা ইকায় খুমবা মাংহনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমা কনভিক্সন পীখ্রবা মতুংদা চহি ১০ জেলদা থবক শুবগী ফাদোক পীখ্রে হায়বা পাউ অসিসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মোইরাংখোমদগী এম.য়ু ফাওবগীদি শিদোকরি, মচি লেংদনা লৈবসু য়াওরি হায়বা ইভিক্সনগী মতাংগী পাউ অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসিগা থংননা মমিংতগী ওইনা তৌরোই, থবক ওইনা তৌরক্কনি হায়বা দিপ্যুতি কম্মিসনার রাজকুমারগী ব্রাফমসু ফোংলি।

------